**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা হৌখ্রে। নুংথিল পুং মঙা ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

২) প্লানেট ভর্সেস প্লাষ্টিক্স হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড আর্থ ডেগী থৌরম দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ঙসি রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোক্লগনি।

------

রি-পোল(এল)ঃ ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী অমুক হন্না ভোৎ থাদনবা হৌখ্রে। নুংথিল পুং মঙা ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

থা অসিগী ১৯ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থাদনখিবদা হিংশা য়াওনা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবদগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অসিদা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা লাউথোকখিবনি। ঙসি ভোৎ

থাদনরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি- খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী মোইরাংকম্পু সাজেব অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, এস. ইবোবী প্রাইমারি স্কুল (ইষ্ট ৱিং), ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী বামোন কম্পু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, পাইওনিয়র একাডমী, ইরিলবুং হায়স্ল-নোর্থ অমসুং সাউথ ৱিং, থোংজ কেন্দ্রগী নেসনেল চিলড্রেন স্কুল, উরিপোক কেন্দ্রগী ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ইষ্টর্ন, ৱেষ্টর্ন অমসুং মিদল ৱিং অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্রগী খাইদেম প্রাইমারি স্কুল (সাউথ ৱিং) নি। পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা হৌজিক শান্তি ওইনা ভোৎ থাদনরি।

নোনে (এল)ঃ লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মাংওইননা নোনে জিলাগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা প্রিসাইদিং ওফিসার অমদি কর্ম্মচারি পুমমকা তমেংলোংগী খোংজারোনদা লৈবা মঙাশুবা এম.আর. গ্রাউন্দদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ ফাওবদা রিপোর্ট তৌরনবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি ।

আর্থ ডে (এল)ঃ চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম্বা ৱার্ল্ড আর্থ ডে, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ঙসি পোরোমপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। কুমশি চহিগী ওইনা নুমিৎ অসিগীদমক য়ুনাইতেদ নেসন্সনা থল্লিবা হিরমা- প্লানেট ভর্সেস প্লাষ্টিক্স হায়বসিনি। থৌরম অসিদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর, প্রোফেসার এন. রাজমুহোন সিংহ, মহুদকী কম্মিসনার শ্রী এম. জোয়, দাহরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমার শরুক য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুন্বগী থবক অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথুরি। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা

থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা মণিপুরদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে, সেক্যুরিতিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমখি। নেসনেল হাইৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা হায়রিবা মতম অসিদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩০৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা পুশিল্লকখি হায়রি।

এআর (এল)ঃ আগিবির ওইনিংবশিংগীদমক নম্বোল, লিলোং, থৌবাল, শিংজমৈ অমসুং চীংমৈরোংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টশিংদা মমাং থাগী ২৬ তগী চথ্থরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ঙরাং লোইশিনখ্রে। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং অদুদা পুন্না মীওই ৭০ শরুক য়াখি। ত্রেনিং অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি আগিবির ওইননবা হোৎনবদা থেংনগদবা মথৌ তাবা পুমমক মাংজোননা শেম শাবা ঙমনবনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২০ দসু মোরেদা আগিবির ওইনিংবশিংগীদমক মোক টেষ্ট অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ৩০ না শরুক য়াখি।

তেংনৌপল জিলাগী ফালবুং ভিলেজদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মদুদা খুঞ্জাং ১৭৯ লেমা লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

মরক অসিদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী শঙাইকোট রোডতা অসাম রাইফলসনা থা অসিগী ২০ দা থিবা হুম্বগী থবক চথ্থবদা য়ু.কে.এল.এফকী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফংবা ঙমলে। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক পুলিসতা শিন্নখ্রে।

শান্নবা (এল)ঃ য়ুনাইতেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা চথ্থরিবা মঙাসুবা শঙাই ত্রোফি ভেটরাংন্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙরাং

শান্নখিবা মেটচশিংদা এম.এল.ভি.এফ.এনা টি.বি.এস.এফ.এবু পাঞ্জল ৫-১ দা, য়ু.ভি.এস.এনা টি.আর.ভি.এস.এবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে। সি.ৱাই.এল.সিগী গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এন.কে.ভি.এফ.সিনা এম.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

এৱার্দ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোক্লগনি।

হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি এম. ভেনকয়া নাইদু অমসুং ভারত নাটয়মদা ডাঃ পদ্মা সুব্রমনিয়ম অমসুং বিন্দেশ্বর পাথকতা পদ্মা ভিভুসন পীদুনা ইকায় খুমগনি। বিন্দেশ্বর পাথকতি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনা অসি পীগদবনি। পদ্মা ভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা- এক্তর মিথুন চক্রাবোর্তি অমসুং শৈশাকপী উসা উথুপ য়াওরি। ফিলান্থ্রোপিস ডাঃ সিতারাম জিন্দাল, কার্দিওলোজিষ্ট ডাঃ তেজাস মধুসুদন পাতেল অমসুং হান্নগী উত্তর প্রদেশকী রাজ্যপাল রাম নায়কসু পদ্মা ভুসন ফংগদবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী সিভিলিয়ান এৱার্দ পদ্মা এৱার্দ অসি কেটগোরি অহুমদা পীগদবনি। মখোয়শিং অদুদি- পদ্মা ভিভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রীনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা- ঙসি পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ভোৎ থাদনগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসন, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, তমেংলোং টাইমস, গানফিউ মেল, মণিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- ইন্নরগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ঙসি অমুক্কা হন্না ভোৎ থাদনরগনি, ভোৎ হনগদবা পোল্লিং ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিং ছুতি লাউথোকখ্রে

হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। ইন্দিয়াগী ইলেক্সনদা য়াওদে হায়না কোরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা, চুরাচান্দপুর এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি অনিদা বুথ কেপচর তৌখ্রে, ভোৎ হনবীয়ুম ৱাকৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ইরাং থোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক রিপোল তৌগদবনি হায়না কৈথেল ইমাশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষাগী ফল মে থাদা লাউথোক্লবা য়াই হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিলকদসু অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

মণিপুর নিউজদা- চহিসিদগী ক্লাস টেন একজামগী ফল গ্রেদিং সিষ্টেম চৎনরগনি, কম্পালমেন্টেল একজাম লৈররোই, ইম্প্রুভমেন্ট ওন্থোক্লগনি হায়না বোসেমগী চেয়ারমেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- খোংজোম ডে নুমিৎকী মাংওইননা সোসিয়েল সার্ভিস খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ঙরাং অয়ুক শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা লোক্তাক পাৎতা ঙামী অমা হি লাকশিনবদা লৈখিদবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেদলদা- ইমা কৈথেলগী নুপীশিংনা পাউগী মীফম পাঙথোকপদা পুলিসনা থিংখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর অমদি দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরনা কে. টিমোথি জিমিক্কী কেম্পেন তৌখ্রে হায়না অনিসুনা হেদলাইন তৌরি।

------